# এন এস সী এন (আই এম) গী লিদর মুইভা কেম্প হেব্রোন্দা হল্লক্নে

দিমাপুর, এপ্রিল ২৪ (এজেন্সী): নাগা লালহৌবা গ্রুপ এন এস সী এন (আই এম) গী জেনরেল সেক্রেটরি থুইঙালেং মুইভা ন্যু দেল্লীদগী দিমাপুরদা লৈবা কেম্প হেব্রোনদা হল্লক্নে।

কেম্প হেব্রোন অসি অৱাং নোংপোক্কী কম্মর্সিএল হব দিমাপুরদগী কিলোমিটর ৩৫ রোম লাপ্পা লৈবা আউটফিট অসিগী এদমিনিষ্ট্রেটিভ অমসুং মিলিটরি হেদক্বার্টর্সনি। সোর্চ্ছশিংগী মতুং ইন্না, মুইভা অমসুং আউটফিট অসিগী মকোক থোংবা লুচিংবা খরা শগোলশেন নুমিত্তা কেম্প হেব্রোনদা থুংলখি।

মীদিয়া রিপোর্ট খরগী মতুং ইন্না, এন এস সী এন (আই এম) গী লুচিংবশিং অমসুং সেন্তরগী মীহুৎশিংগী মরক্তা এপ্রিল ১৬ তা ন্যু দেল্লীদা অতোপ্পা মীফম রাউন্দ অমা পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌখি। অদুম ওইনমক নেস্নেল কেপিটেলদা কোভিদ-১৯ কেস ৱাংখৎলকপদগী ৱারী শান্নবসু মতম কক্তনা য়েথোকখি। সোর্চ্ছশিংগী মতুং ইন্না পেন্দমিক্কী ফীভম ফরক্লবা মতুংদা মহাক ন্যু দেল্লীদা অমুক চৎকনি।

অমরোমদা নাগালেন্দ পিপলস ফ্রন্টকী সেক্রেটরি অমসুং বি জে পি মাইনোরিটি মোর্চা নাগালেন্দগী হান্নগী প্রসিদেন্ট মুকিবুর রহমন হর্ট এটেক তৌরকপদগী ইরাই নুমিত্তা দিমাপুরদা লৈবা রিফরেল হোস্পিটালদা লৈখিদ্রে।

মহাক ইষ্টর্ন দিমাপুর বিজনেস এসোসিএসনগী ভাইস প্রসিদেন্টসু ওইরম্মী। মহাক্না লৈখিদবদা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ৱাই পাটোন, এন পি এফকী প্রসিদেন্ট সুর্হোজেলি লিজিটমু, ষ্টেট বি জে পি প্রসিদেন্ট তেমজেন ইন্মা, এন পি এফ মাইনোরিটি ৱিং, দিমাপুর নমঘর ত্রষ্ট বোর্দ অমসুং ঈ দি বি এনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।



খ্বাই নুংশেং শিন্থা লুপ্পা শীন্দুনা মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা কৌব্রু লৈখা অমসুং কৌব্রু লৈথকপু মণিপুর লৈঙাক্না অকক্নবা মতম অমা পীদুনা হেরিটেজ সাইট ওইনা শেমগৎহন্নবগী দিমান্দ তৌরদুনা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা শরক য়াখিবশিং

# কোভিদ-১৯ পেন্দমিক লৈরবসু কাজিরঙ্গা নেস্নেল পার্কতা মী লাকপগী চাং ৱাংলি



গুৱাহাটি, এপ্রিল ২৪ (এজেন্সী): কোভিদ-১৯ গী অনীশুবা অকনবা ৱেভ অমা লৈদুনসু অসামগী কাজিরঙ্গা নেস্নেল পার্কতা টুরিষ্টশিং লাকপগী চাং ৱাংলি। পার্ক অসি থা তরেৎ হেন্না গেপ লৈরুরবা মতুংদা হৌখিবা চহীগী ওক্তোবর ২১ দা অমুক হন্না হাংখিবনি।

হৌখিবা থা তরুক অসিদা ফোরেনর ৫৭০ য়াওনা টুরিষ্ট লাক্ষ অনীরোমনা ৱর্ল্ড হেরিটেজ সাইট অসিদা কোয়বা লাকখি হায়না পার্ক কম টাইগর রিজার্ভ অসিদা পুন্না টুরিষ্ট ১,৯৮,৫৯৫ লাকখি হায়না কে এন পিগী দিরেক্তর কে পি সিবকুমারনা ফোঙদোকখি। মহাক্কী মতুং ইন্না, কুমজা ২০১৯-২০ চহী দা ফোরেনর ১১,৫৯৫ য়াওনা টুরিষ্ট লাক্ষ ১.৭৪ রোমনা পার্ক অসি ভিজিট তৌখি। নোংজু থাগী য়েংদুনা থিংজিন্দ্রিঙৈগী মাঙওইননা কজিরঙ্গদা অহেনবা টুরিষ্ট লীশিং কয়া লাকপা য়াবগী থাজবা লৈ হায়না সিবকুমারনা মখা তাখি।

অসামগী দিষ্ট্রিক্ট মঙা হায়বদি গোলাঘাট, নাগাওন, সেনিপুর, বিস্বানাথ অমসুং কর্বি অংলোংগী শরুকশিং কোল্লিবা কে এন পি এন্দ টি আরগী ওথোরিটিশিংনা চাঙচত্তা সিজন অমদা লুপা ক্রোর ৫ তাল্লি। মমাংগী চহীশিংগুম্না হৌখিবা চহীগী জুন অমসুং সেপ্তেম্বর মরক্তা অসামদা ঈশিং ঈচাও থোকখিবদা কে এন পি এন্দ টি আরদসু ফীভম থিনা শোকখি। পাক শন্না ঈশিং থুমজিনখিবদগী পার্ক এন্দ টাইগর রিজার্ভ অসিদা লৈরিবা শামুগন্দা ১৮ অমসুং অতৈ লমলক্কী শা ১৩৫ শিখি। সিবকুমারগী মতুং ইন্না হৌখিবা চহীদা লমলক্কী শা ১৭২ ঈশিং ঈচাওদগী কনখি।

কুমজা ২০১৯ দা কাঙখুল মুৎখিবা য়াবগী অকিবা লৈবা শামুগন দাশিং য়াওনা শা ৩৬৩ ঈশিং ঈচাওদা শিখি অমসুং শা ১৬৯ রেস্ক্যু তৌখি। কুমজা ১৯০৮ দা লিংখিবা কে এন পি এন্দ টি আর অসি নেচরেল এন্দ ইনভাইরনমেন্ট কেটেগোরিদা কুমজা ১৯৮৫ দগী য়ুনেস্কোনা লাউথোকখিবা ইন্দিয়াদা লৈবা ৱর্ল্ড হেরিটেজ সাইটশিংগী মনুংদা অমা ওইরকখি। ইন্দিয়াদা ফংবা মখলগী শামুগন্দা ২,৪০০ হেন্না লৈ। শামুগন দাদা নত্তনা কে এন পি এন্দ টি আরদা কৈ ১২১, শামু ১,০৮৯, মশীং য়াম্লবা এমিয়াতিক ইরোই, লমওক, মখল কয়াগী শজিশিং, রেপটাইলশিং অমদি অতৈ কাঙখুল মুৎখিবা য়াবগী অকৈবা লৈবা শা কয়া লৈ।

# এন এল এফ বিগী খূৎলাই কয়া ফারে


গুৱাহাটি, এপ্রিল ২৪ (এজেন্সী): নৌনা শেম্বা বোদো লালহৌবা গ্রুপ এন এল এফ বিদা চৈথেং চাওনা পীবা খোঙথাং অমদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা ইরাই নুমিৎকী নুমিদাং অথেংবদা জোইন্ট ওপরেসন অমা চথখিবদা নোংচুপ থংবা অসামগী কোক্রাজার দিষ্ট্রিক্টকী গোসাইগোওনদগী য়াম্লবা খূৎশু খূৎলাই কয়া ফাগৎখ্রে।

এন এল এফ বি রেবেলশিংদা পীগদবা এক্সপ্লোসিভনচিংবা য়াম্লবা খূৎলাইশিং লৈরে হায়বা থাজবা য়াবা অরোনবা পাউ অমা ফঙবদগী ইরাই নুমিৎকী নুমিদাং অথেংবদা এস এস বিগী ক্রুপশিং অমসুং অসাম পুলিসনা অপূনবা সার্চ ওপরেসন অমা রিপু রিজার্ভ ফোরেষ্ট এরিয়াদা চথখি।

ওপরেসন অদুদা টিম অদুনা কাছগাওন পুলিস আউটপোষ্টনা কোনবা রিপু রিজার্ভ ফোরেষ্টকী নবিনগর ভিলেজদগী খূৎশু খূৎলাইশিংদু ফাখি। ওপরেসন অদুদা ফাখিবা খূৎলাইশিংদুগী মনুংদা গেলাটিন ষ্টিক ৮৭, দিটোনেটর ২০০, কন্ত্রি মেদ রাইফল ২, ৯ এম এম পিষ্টোলগী মেগজিন অহুম, চাইনিজ গ্রেনেদ অমা, সেফটি ফ্যুজ ৱায়র কোইল অনী, ইলেক্ত্রিক ৱায়র বন্দল অমা অমসুং বেটরি য়াওরি।

খূৎলাই কয়ামরুম ফাখিবা অসিনা নৌনা শেম্বা গ্রুপ অসিদা অচৌবা চৈথেং অমা পীখি হায়না পুলিস ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি। জঙ্গল মনুংদুদা মখা তানা সার্চ ওপরেসন চথখি।

## CROSSWORD-3762



**ACROSS**

1 Oversees (10)
7 Abbreviate (7)
8 Sorcery (5)
10 Greasy (4)
11 European country (8)
13 Japan (6)
15 Dealer (6)
17 Madness (8)
18 Young cow (4)
21 Intense sorrow (5)
22 Unlawful taker of game or fish (7)
23 Adornment (10)

**DOWN**

1 Mar (5)
2 Compassion (4)
3 Kidnapper's demand (6)
4 Unripe (8)
5 Betrothed (7)
6 Amazing (10)
9 Anaesthetic (10)
12 Back and forth (2,3,3)
14 Leisure activity (7)
16 Imaginary perfect place (6)
19 Very pale (5)
20 Indian dress (4)

**Solution 3761**

| | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | C | A | R | N | I | V | O | R | E | S | | |
| | R | | E | | R | | V | | X | | S | |
| P | O | R | P | O | I | S | E | | T | U | N | E |
| | A | | R | | S | | R | | R | | O | |
| | K | N | O | W | | O | C | T | A | G | O | N |
| | | | O | | P | | A | | | | Z | |
| | O | X | F | O | R | D | S | H | I | R | E | |
| | S | | | | O | | T | | T | | | |
| S | T | R | E | T | C | H | | M | E | E | T | |
| | L | | X | | L | | T | | R | | A | |
| D | E | E | P | | A | M | I | C | A | B | L | E |
| | R | | E | | I | | N | | T | | E | |
| | | O | L | D | M | A | S | T | E | R | S | |

SOLUTION ON NEXT ISSUE

## HUEIYEN SUDOKU

**Hueiyen Sudoku-3561**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 6 | | 5 | | 9 | 7 | | |
| | | | | 7 | | | | |
| 9 | | | | 3 | | | | 1 |
| 4 | | 3 | 7 | | | | | |
| | 2 | | | 5 | | | 4 | |
| | | | | | 4 | 9 | | 6 |
| 6 | | | | 1 | | | | 8 |
| | | | | 4 | | | | |
| | | 7 | 2 | | 8 | | 5 | |

**Solution-3560**

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 8 | 2 | 1 | 5 | 4 | 9 | 3 | 6 | 7 |
| 3 | 4 | 5 | 2 | 7 | 6 | 8 | 9 | 1 |
| 7 | 6 | 9 | 1 | 8 | 3 | 5 | 2 | 4 |
| 4 | 8 | 2 | 7 | 6 | 5 | 9 | 1 | 3 |
| 9 | 5 | 3 | 4 | 2 | 1 | 6 | 7 | 8 |
| 6 | 1 | 7 | 3 | 9 | 8 | 4 | 5 | 2 |
| 5 | 7 | 8 | 9 | 1 | 4 | 2 | 3 | 6 |
| 2 | 3 | 4 | 6 | 5 | 7 | 1 | 8 | 9 |
| 1 | 9 | 6 | 8 | 3 | 2 | 7 | 4 | 5 |

## EMPLOYMENT NEWS

Mahanadi Coalfields Limited (MCL) invites applications from eligible Indian Citizens for recruitment of 70 Medical Executives. THe last date for submission of application is 30th April 2021.
Mahanadi Coalfields Limited Recruitment of Medical Executives-2021
Name of Post
Total Vacancies
Senior Medical Specialist and Medical Specialist
40
Senior Medical Officer (GDMO)
28
Senior Medical Officer (Dental)
02
Age Limit:
Senior Medical Specialist and Medical Specialist: 42 years
Senior Medical Officer: 35 years
Pay Scales:
Senior Medical Specialist and Medical Specialist: ? 70000 - 200000 & ? 60000 - 180000
Senior Medical Officer (GDMO): ? 60000 - 180000
Senior Medical Officer (Dental): ? 60000 - 180000
Educational Qualifications:
Minimum Qualification is MBBS from recognized Institute / College approved by Medical Council of India.
PG Degree / DNB in concerned speciality.
Selection Process: Interview.
Application Fee:
1500/- for General / OBC category candidates.
No fee for SC / ST / Women / PWD / EWS candidates.
The fee can be made through online payment mode.
How to Apply: Eligible candidates will be required to send the duly filled application form as an advance copy in the prescribed format along with self attested copy of the testimonials through speed post to "GM (P - Executive Establishment) at MCL HQ, Po - Jagruti Vihar, Burla, Sambalpur, Pin - 768020". The last date for receipt of applications is 30/04/2021.

---

West Central Railway Apprentice 2021 for ITI Freshers and Experienced ITI holders in various trades. In this post, IndGovtJobs blog updated latest West Central Railway Trade Apprentice Vacancy 2021 and upcoming WCR Railway Jobs.
West Central Railway invites online applications for recruitment of Apprentices in various ITI trades for fill up 716 vacancies under Apprentice Act 1961. The last date for submission of applications is 30th April 2021.
Advertisement No. WCR/P-HQ/Rectt./122/Act.App. dated 08-012021
Name of the Post
Total Vacancies
Trade Apprentice
716
Trade wise Vacancies:
Electrician - 135 Posts
Fitter - 102 Posts
Welder (G&E) - 43 Posts
Painter (General) - 75 Posts
Meson - 61 Posts
Carpenter - 73 Posts
Plumber - 58 Posts
Blacksmith - 63 Posts
Wireman - 50 Posts
Computer Programming and Programming Assistant (COPA) - 10 Posts
Machinist -05 Posts
Turner – 02 Posts
Lab Assistant - 02 Posts
Crane Assistant - 02 Posts
Draftsman - 05 Posts
Age Limit: 15 to 24 years as on 1st April 2021. Age relaxation as per Govt. rules.
Educational Qualification:
10+2 Pass with 50% marks.
10th Pass with ITI in relevant trade.
Selection Process: Based on merit list. Prepared taking the average of the % age marks obtained by the candidates in 10th Class and ITI.
Application Fee: ? 100/- + ? 70 (GST) for General and OBC category candidates. No fee for Reserved category candidates.
How to Apply: Eligible Interested candidates should apply online through Apprenticeship India official website (www. apprenticeshipindia.org). The last date for registration of online applications is 30/04/2021.

---

North Tripura District Court Jobs 2021: Office of the District and Session Judge North Tripura, Dharmanagar invites applications from eligible Indian Nationals for filling up 98 vacant posts of Group D under District and Subordinate Judiciary of Tripura. The last date for receipt of applications is 5th May 2021.
Name of the Post
No of Vacancies
Peon / Orderly / Guard etc. (Group D)
98 (Regular Pay Scale – 50, Fixed Pay Scale – 48)
Age Limit:
18 to 40 years as on 01/01/2021
Age Relaxation - 05 years for SC / ST / PH candidates and Government Servant.
Pay Scale:
Regular Pay Scale: PB-1 ? 4840 - 13000 & Grade pay ? 1400/-
Fixed Pay: Level 1 ? 12000/- per month
Educational Qualification: Must have passed Class VIII examination from any recognized Institution / Board. Matric candidates can also apply.
Selection Process:
Written Examination
Viva Voce Test (Interview)
Application Fee:
200/- for UR (General) category candidates.
100/- for SC / ST category candidates.
How to Apply: Application in plain paper as per prescribed application format. Completed applications addressed to "The District and Sessions Judge, North Tripura, Dharmanagar" along with self attested copies of relevant certificates and testimonials, 04 recent self attested coloured identical passport size photographs along with application fee (Bank Draft) by post / by hand. The last date for receipt of applications is 05/05/2021.

# ‘চহী অনীগী মনুংদা রেলৱে মেপতা আইজোল য়াওরগনি’

মিজোরাম, এপ্রিল ২৪ (এজেন্সী): অসাম বোর্দরগী সাইৱাং অমসুং ভাইরাবিগী মরক্তা পায়খৎলিবা কিলোমিটর ৫১.৩৮ শাংবা ব্রোদ গেজ রেলৱে লাইন শেম শাবগী থবক কুমজা ২০২৩ গী দিসেম্বর ফাওবগী মনুংদা লোয়শিল্লগনি হায়বগী থাজবা লৈবগা লোয়নননা মথৎগী চহী অনীগী মনুংদা মিজোরামগী কেপিটেল আইজোল লৈবাক অসিগী রেলৱে মেপতা য়াওরগনি।



পাউ অসিবু স্যের তৌরদুনা নোর্থইষ্ট ফ্রন্টিয়র রেলৱেজ (এন এফ আর) গী ওফিসল অমনা ইরাই নুমিত্তা ফোঙদোরকখিবদা, কন্সত্রক্সনগী থবক তোভান তোঙানবা তাঙ্ককশিংদা হৌজিক লেপ্তুনা শুরি। তোঙান তোঙানবা থবকশিংগী টেন্দর খুদিংমক ফাইনেলাইজ তৌরে হায়বা য়াই।

সাইৱাং হায়রিবা মফম অসি আইজোলদগী কিলোমিটর ২০ অমসুং লেংপুং এয়রপোর্টতগী কিলোমিটর অনীরোম লাপ্পা লৈ। ওফিসল অসিনা হায়, হৌজিক ফাওবদা আর্থৱার্ক চাদা ৮৯.৫৫, মরু ওইনা থোংশিং শাবগী থবক চাদা ৩৭ অমসুং মাইনর থোংশিং শাবগী থবক চাদা ৭৩ লোয়শিল্লে। কট এন্দ কোভর টন্নেলশিং শেমগৎ শাগৎপগী থবক্সু চাদা ২১ লোয়শিল্লে হায়না মহাক্না মখা তাখি।

মিজোরামদা পায়খৎলিবা কিলোমিটর ৫১.৩৮ শাংবা ব্রোদ গেজ রেলৱে পরিংদুদা পুন্না কিলোমিটর ১২.৬৭ শাংগদবা টেন্নল ৩২, কিলোমিটর ২.৫৮ শাংগদবা কট এন্দ কোভর টন্নেল ১৬ য়াওরি। ব্রোদগেজ রেলৱে অদু কোলাসাব দিষ্ট্রিক্ট অমসুং আইজোল দিষ্ট্রিক্টকী থিংদোল অমসুং থাংনুৱাম ব্লোকশিং য়াওই।

আইজোল য়ৌরিবা রেলৱে লাইন অদুদা অচৌবা থোং ৫৫ য়াওই। মখোয়গী মনুংদা থোং ৬ তি মিটর ১০১.৪ শাংবা অমা য়াওনা মিটর ৭০ হেন্না ৱাংগনি। অতৈনা মাইনর থোং ৮৭ কা লোয়নননা রোদ ওভর ব্রিদজ ৫ অমসুং রোদ অন্দর ব্রিজ ৮ য়াওগনি।

বাইরাবিদা নত্তনা রেলৱে লাইন অদুনা ষ্টেসন মরি হোর্টোকি, কাউনপুস, মুৱালখাং অমসুং সাইৱাং ফাওগনি। মিজোরামগী চীফ সেক্রেটরি লালনুনমাৱিয়া চুৱাঙ্গোনা ইরাই নুমিত্তা ত্রিজি লাইনদুগী তোঙান তোঙানবা কন্সত্রক্সন সাইটশিংদা চত্তুনা য়েংশিনখি অমসুং রেলৱে ওফিসলশিংগা ইন্তরেক্ট তৌখি।

মহাক্না এন এফ আর ওফিসলশিংগী পাউদমদা অপেবা ফোঙদোকখি অমসুং মখোয়দা শেমগৎ শাগৎপগী থবক থুজিন্নবসু তকশিনখি। কন্সত্রক্সনগী থবকশিংদা অকায়বা পীরক্কদবা ইশ্যু খুদিংমক ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা য়েংশিনগনি হায়নসু মহাক্না থাজবী পীখি।







